# কাশ্মিরদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকপদা লান্মী অহুম শিরে



শ্রীনগর, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পম্পোরে তাউনদা ঙসি টেররিষ্টশিংনা আর্মিগী কনভোয় অমদা এটেক চথরকপদা লান্মী অহুম শিরে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখ্রে।

পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী জম্মু-শ্রীনগর হায়ৱেদা মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকপা টেররিষ্টশিংনা আর্মি কনভোয়দা নোংমৈ কাপশিল্লম্লগা মফম অদু থাদোক্তুনা চেনখিবনি হায়রি।

থৌদোক থোকফম মনাক নক্তা মীচম কয়ামরুম লৈবা মরম্না লান্মীশিংনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখিদে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখি। থৌদোক থোকফম অমসুং অকোয়বদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা থিবা হুন্থগী থবক চথুদুনা এটেক চথরম্লিবা মীওইশিং ফানবা হোৎনরি।

চহী অসিগী মনুংদা টেররিষ্টশিংনা পম্পোরে তাউনদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা এটেক চথবগী থৌদোক কয়ামরুম লৈখ্রে। হায়রিবা এটেকশিং অদুদা ইন্দিয়ন আর্মিগী জৱান ১২ রোম শিখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা পাকিস্তানগা লোন্নবা ঙমখৈদা মতম খরগী মমাংদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মিলিটেন্টশিং চৎথোক চৎশিন তৌহন্দনবা থৌরাং লৌখৎখ্রবসু ঙমখৈ ৱাংমদগী চঙলকপা টেররিষ্টশিংনা অরায়বা মওংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা তোয়না এটেক চথরকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা পঞ্জাব অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা টেররিষ্টশিংনা মখল কয়াগী এটেক চথরকপা লৈখ্রে। জম্মু এন্দ কাশ্মির খক্তদা চহী অসিগী ওইনা হৌখিবা নবেম্বর থা ফাওবদা টেররিষ্টশিংগী এটেক্তা জৱান ৮৪ শিখি।

অৱাং নোংপোক লমদমদসু টেররিষ্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা এটেক চথবগী থৌদোক কয়ামরুম লৈখ্রে। সাউথ এসিয়া টেররিজম পোর্টেলগী রিপোর্ট মতুংইন্না চহী অসিগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমদমদা চথরকখিবা টেররিষ্ট এটেক্তা পুন্না জাৱান ১৫ লৈখিদ্রে হায়রি।

পঞ্জাবকী ওইনদি চহী অসিগী মনুংদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকপদা সিক্যুরিটি পর্সনেল তরেৎ শিখি।

মমাং চহীদদি ষ্টেট অসিদা সিক্যুরিটি পর্সনেল মরী টেররিষ্ট এটেক্তা শিখিবনি। অদুম ওইনমক পথানকোট, পম্পোরে, য়ুরি অমসুং নাগ্রোতাদা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা মীচম মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মায়কৈদা লেপ্তুনা টেররিষ্টশিংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকপা লৈখ্রে।

চহী অসিগী অহানবা ওইনা অনৌবা চহী হৌবদা ঙায়রিঙৈদা য়াম্না থাজদবা মওংদা টেররিষ্টশিংনা পঞ্জাবকী পথানকোট সিটিদা লৈবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী বেজ অমদা এটেক চথরকপদা নেসনল সিক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) গী লেফটনেন্ট কর্নেল অমা য়াওনা জাৱান মরি শিখি।

থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা টেররিষ্টশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পম্পোরেদা চথরকখিবা এটেক্তা আর্মি জৱান অনী, সী আর পি এফ জৱান অনী অমসুং মীচম অমা শিখি। সেপ্তেম্বর ১৮ দা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী য়ুরিদা চথরকখিবা টেররিষ্ট এটেক্তনা ইন্দিয়ন আর্মিগী জাৱান ১৭ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১৯ ফিভম থিনা অশোক অপন নংখি।

# টিয়াগী জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দ ভি ভি আই পি হেলিকোপ্টর স্কেমদা চেন্নবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) কী হান্নগী চীফ এস পী টিয়াগী অমদি ৱাথোক অসিদা চেন্নবা অতৈ মীওইশিং নুমিৎ ১৪ নিগী জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে।

মশাগী চহী ৭১ শুরবা টিয়াগী কুমজা ২০০৭ তা থবক্তগী পোথাখিবনি। টিয়াগীগী মনাওনুপা সঞ্জিপ এলিয়জ জুলি অমসুং এদভোকেট গৌতম খাইতানবু ঙসি কোর্টতা পুথোরকখি।

দিসেম্বর ১০ দা কোর্টনা টিয়াগী অমদি অতৈ চেন্নবা মীওই অহুম সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ মরিনিগী রিমান্দ পীবা লৈখ্রবনি। সী বি আইগী জজ অরবিন্দ কুমারনা জুদিসিয়েল কষ্টদিগী মতম দিসেম্বর ১৭ ফাওবা শাংদোকখি।

সী বি আইনা হায়রিবদি, টিয়াগীনা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী চীফ এয়র মার্সেল ওইরিঙৈদা মশাগী শেন্থোক্তা চান্নদবা মওংদা য়াম্লবা শেনফম অমা লোৎশিন্দুনা থমখি হায়বসিনি। স্বিজরলেন্দ, ইটলি অমসুং অতৈ লৈবাক খরদা শেল থৈদোক্তুনা থল্লম্বা মরম্না টিয়াগীবু নুমিৎ তরেৎনি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ পীবীদুনা ৱাহং পাউহং চথুনবগী খুদোংচাবা ফঙহনগদবনি হায়না সী বি আইনা তকশিনখি।

পনবা য়াবদি, দিসেম্বর ৯ দা হান্নগী এয়র চীফ মার্সেল এস পী টিয়াগীবু মহাক্কী মনাওনুপা সঞ্জিপ টিয়াগী অমসুং মখোয়গী উকিল গৌতম খাইতানগা লোয়ননা সী বি আইনা ফাখিবনি।

লুপা ক্রোর ৩,৭০০ চংনা অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দগী ভিভিআইপি হেলিকোপ্টর লৈবদা অরানবা থৌওং চথুদুনা য়াল্লবা শেনফম অমা মশাগী ফুরিৎখাওদা হাপচিনখি হায়বগীদমক মীওইশিং অসিবু সী বি আইনা ফাগৎখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর এ কে এন্তোনিনা হায়খ্রে মদুদি, হেলিকোপ্টর লৈবগী ৱাথোক্তা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী চেন্নদে। অরানবা মওংদা সোনিয়া গান্ধীবু ৱাথোক অসিদ চেন্নহন্নবা হোৎনরে হায়না কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন জি ভি এল নরসিমহা রাওনা ফোংদোকখি।

# ট্রেন ৫২ দিলে তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী মফম খরদা কা হেন্না লৈচিন নোংফাই থাংবদগী ট্রেন ৫২ দিলে তৌখিবা মরম্না পেসেঞ্জর লিশিং কয়ামরুম লমখাংদা পন্দুনা লৈখ্রে।

নোর্দন রেলৱেগী ওফিসল অমনা হায়খি, গোরাখপুর-অনন্দ বিহার এক্সপ্রেস মশাগী মতমদগী পুং ৩০ থেংথনা লমথাখি। লিচ বি এক্সপ্রেসনা মশাগী মতমদগী পুং ২৪ থেংথখি অমসুং অৱাধ অসাম এক্সপ্রেসনা মিনিট ২০ থেংথখি।

কা হেনবা মওংদা লৈচিন নোংফাই থাংবদগী অতোপ্পা ট্রেন ১২ লমথানবগী মতম নৌনা লেপখি। অমরোমদা, দিল্লি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট লিমিটেদ (দি আই এ এল) গী রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি লৈচিল নোংফাই থাংবদগী খুদোংচাদবা খরা মায়োক্নরবসু ইন্দিরা গান্ধী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ফ্লাইট অমত্তা কেন্সেল তৌখিদে।

হৌখিবা সগোলশেন নুমিৎতসু কা হেনবা মওংদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপা মরম্না দিল্লিগী এয়রপোর্টতা দোমেষ্টিক ফ্লাইট মাপল কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ফ্লাইট ১৯ মশাগী মতমদগী থেংথনা পায়খি।

নুমিৎ অদুদা ট্রেন ৬১ দিলে তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ট্রেন ১৩ কেন্সেল তৌখি। মেটিওরোলিজেকল দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফোংদোকখিবগী মতুংইন্না দিল্লিদা নুমিৎ খরনি লৈচিল থাংবা থেংনখিগনি হায়রি।

# দিমোনেটাইজেসন : ইনকম দিসক্লোজর স্কীম চৎনহনবা হৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):

অরানবা মওংদা তানশিনখিবা ব্লেক মনি পুন্নমক পুথোরক্লবগী অরোয়বা খুদোংচাবা পীবা ওইনা ঙসিদগী সেন্তরনা অনৌবা ইনকম দিসক্লোজর স্কীম চৎনহনবা হৌখ্রে।

মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা চৎনগদৌরিবা স্কীম অসিগী মখাদা কনাগুম্বনা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা শেনফম পুন্নমক পুথোক্লগা চাদা ৫০ গী চাংদা টেক্স থিহনগদৌরি। ব্লেক মনি অমসুং জালি নোটকী মায়োক্তা গভর্নমেন্টনা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা অনৌবা ইনকম দিসক্লোজর স্কীম অসি চৎনহনখিবনি। টেক্স থিনিংদবদগী মশাগী ইনকম লোৎশিন্দুনা থম্বা মীওইশিংদা গভর্নমেন্টনা খুদোংচাবা পীবা হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। মমাংদা লাউথোকখিবা ইনকম দিসক্লোজর স্কীম জুনদগী হৌরগা সেপ্তেম্বর ৩০ দা লোয়শিনখি। মমাংগা মান্নদবা মওংদা হন্দক্তি গভর্নমেন্টনা টেক্স হান্না থিহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা দেতা এনালাইটিক্স অমদি দেতা মাইনিংনচিংবা টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা অরানবা মওংদা লোৎশিন্দুনা থল্লিবা ব্লেক মনি পুন্নমক পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়রি।

মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা চৎনগদৌরিবা অনীশুবা স্কীম অসিগী মখাদা কনাগুম্বনা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা শেনফম পুন্নমক পুথোক্লকপদা লোগী ওইবা এক্সন অমত্তা লৌখৎপা তৌরোই। অদুম ওইনমক চাদা ৫০ গী চাংদা টেক্স থিহনবগা লোয়ননা অপুনবা শেনফমগী চাদা ১০ পেনালটি ওইনা প্রধান মন্ত্রি গরিব কলয়ানদা দিপোজিট তৌহনগদৌরি। মশাগী ইনকম লাউথোরকপা মীওইশিংগী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সন অমত্তা লৌখৎলোয় হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা ফোংদোকখি।


## HOUSIE BUMPER DRAW

IN AID OF FUND DRIVE

Org. by: HANDLOOM & HANDICRAFT CO-OPERATIVE SOCIETY

Imphal East-I CD Block

Regd. No. 29 of 2000-01

TODAY

TODAY

*N.B.:* DATE 16/12/2016 DA SANNAJAGANI TOURAMBA HOUSIE ADO TICKET PAIKHIBA MEEOI SINGNA MATA CHANA LAKPINABA KHANGHAJARI. SANAGADABA PUNG NA DAYTIME : 11.30 A.M.

1st HOUSEFULL - ACTIVA 3G
2nd HOUSEFULL - ACTIVA 3G
3rd HOUSEFULL - ACTIVA 3G
4th HOUSEFULL - ACTIVA 3G
5th HOUSEFULL - ACTIVA 3G
6th HOUSEFULL - ACTIVA 3G
7th HOUSEFULL - ACTIVA 3G



*Ticket Rate Rs: 1000/-*

MINI BUMPER
TICKET RATE: RS. 250/-
HOUSEFULL: Rs. 80,000/-

NO LIGHT ARRANGE

VENUE : Y.A.C Ground, Yaiskul, Opp. Kalimai Mandir Imphal

HL-P/10874/18


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF CONSUMER AFFAIRS, FOOD & PUBLIC DISTRIBUTION DEPARTMENT

### NOTIFICATION

Imphal, the 16th December, 2016

**No. 1/910/2015-DCAF&PD:** In continuance of the Directorate notification of even no. dated 16/12/2016 issued in this regard, CAF & PD Department invites application in the prescribed format from eligible and intending candidates for the following posts on temporary basis through sponsoring of the concerned employment exchange in Manipur.

| Sl. No. | Name of Post | Pay Scale | No. of Post | UR | ST | SC | OBC | Essential Qualification |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Store Handler | Rs. 4440-7440+ GP Rs. 1300 | 7 | 3 | 2 | – | 2 | Matriculate from a Recognised Board/University |
| 2. | Peon-cum-Chowkidar | | 28 | 15 | 9 | – | 4 (3-M, 1-MP) | |

Age : 18-38 years. Age relaxation in respect of OBC/ST/Govt. Employees, as per existing Government orders shall be admissible.

2. The vacancies shown above may be increased or decreased according to the vacant post available in the Department.
3. Prescribed application form can be had on payment of Rs. 500/- General candidates and Rs. 250/- for OBC/ST candidates from the office of the undersigned during office hours on all working days w.e.f. 19/12/2016.
4. Those candidates who have already applied and been sponsored by the concerned Employment Exchange for the specified posts but not selected for appointment to the 2 specified posts already advertised, need not apply. However, Directorate will issue fresh admit cards for those already sponsored candidates for appearing at viva voce.
5. Date of issue of application form : 19/12/2016.
6. Last date of submission of duly filled in application form : 26/12/2016.
7. Date of issue of Admit Card : 28-29th December, 2016.
8. Date of viva voce and its venue : 2nd and 3rd January, 2017 at Directorate, Sangaiprou from 9 a.m. till 4 p.m. daily.

Sd/- **M. Yaiskul Meitei**
Director (CAF & PD), Manipur

HL-B/3550/18

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF CONSUMER AFFAIRS, FOOD & PUBLIC DISTRIBUTION DEPARTMENT

### NOTIFICATION

Imphal, the 16th December, 2016

**No. 1/910/2015-DCAF&PD:** In pursuance of Government approval conveyed vide letter No. 1/2/2016-CAF&PD dated 15th Dec., 2016, CAF & PD Department invites application in the prescribed format from eligible and intending candidates for the following posts on temporary basis through sponsoring of the concerned employment exchange in Manipur.

| Sl. No. | Name of Post | Pay Scale | No. of Post | UR | ST | SC | OBC | Essential Qualification |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Civil Supply Inspector | Rs. 5200-20200+ GP Rs. 2800 | 21 | 11 | 6 | – | 4 (1-MP, 3-M) | Graduate from a Recognised University |
| 2. | Store Keeper | Rs. 5200-20200+ GP Rs. 2800 | 3 | 3 | – | – | – | Degree in Commerce or Science (Chemistry) or Degree with Mathematics from a Recognised University |
| 3. | Quality Inspector | Rs. 5200-20200+ GP Rs. 2400 | 14 | 6 | 5 | 1 | 2 (1-MP, 1-M) | Graduate from a Recognised University |
| 4. | LDC/OA Inspector | Rs. 5200-20200+ GP Rs. 1900 | 16 | 8 | 5 | 1 | 2-M) | Degree from a Recognised University with computer certificate course/equivalent from a recognised University/ Institute |

Age : 18-38 years. Age relaxation in respect of OBC/SC/ST/Govt. Employees, as per existing Government orders shall be admissible.

2. The vacancies shown above may be increased or decreased according to the vacant post available in the Department.
3. Prescribed application form can be had on payment of Rs. 500/- General candidates and Rs. 250/- for OBC/SC/ST candidates along with details of method of selection of suitable candidates from the office of the undersigned during office hours on all working days w.e.f. 17/12/2016.
4. Those candidates who have already applied and been sponsored by the concerned Employment Exchange for the specified posts but not selected for appointment to the posts already advertised, need not apply. However, Directorate will issue fresh admit cards for those already sponsored candidates for appearing at the common written examination.
5. Date of issue of application form : 17/12/2016.
6. Last date of submission of duly filled in application form : 26/12/2016.
7. Date of issue of Admit Card : 28-29th December, 2016.
8. Date of Examination : 31/12/2016.
9. Venue of Exam : To be notified later on.

Sd/- **M. Yaiskul Meitei**
Director (CAF & PD), Manipur

HL-B/3546/17&18


## ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/ লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ক্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3513/03/12-02/01



## ꯈꯨꯔꯨꯝꯖꯔꯤ/বাবাবু অরাপ্পদগী খুরুমজরি



L. Nabakishore

শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফালদা লৈবিরিবা বাবা **নবকিশোর**-বু নচানা অরাপ্পদগী খুরুমজরি। মরমদি বাবাগী হিদাক্তু হাপ্তা অনী চারবা মতুংদা ঐগী কিডনীদা লৈবা নুঙ অনীদু লৈরমদ্রে। মরম অসিনা বাবাবু নচানা অরাপ্পদগী খুরুমজরি। বাবা কুইনা হিংবিখোকো!

*নহাক্কী নচানুপীঃ*
**এ. জোঙ্গিতা দেবী**
জিরিবাম নিংথেম্বম।

HL-P/10743/1/12-30/12



## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ওজা জিয়া উল হকপু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মরম ওইদুনা পুক নাবা, পুক নুংশিৎ কাবা, খুয়াদা চিকপা-নাবা, খোংয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চারগনা দাইজেষ্ট ওইদবা, খোঙ খুৎ ইফা ফাজিনবা, হৈনিং শিংনিংবা পোক্তবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাঙথোংগী অকোয়বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা তৌরম্বশিং অদু **MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎8414825323, 9615256612** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **Zia-Ul-Haque** পু মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবিখো হায়না পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* 1. Kekru Villa Minuthong Road, Opp. AMUCO, UCM Gate Imphal 10 a.m. - 5 pm. 2. Mayang Imphal Konchak Bazar 6 am to ...? 3. Yairipok Bamon Leikai. 4. Tiddim road old bazar, ICI Road, C.C.Pur Thursday & Friday only.

*থাগৎচরিবা :* **T. Chandrakumar**
***Wahengbam Leikai***

HL-P/10794/7/12-5/1